**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) পহলগামগী তেরোরিষ্ট এটেক্তা চেন্নবা অমদি লৌতুনবদা য়াওরিবশিংগী মথক্তা ভারতনা চপ চাবা পাউখুম পীগনি হায়না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোকখ্রে।

২) নেসনেল পিপলস পার্তি মণিপুর য়ুনিতকী প্রসিদেন্ট য়ুমাম জয়কুমারনা হায়রি- মণিপুর অসি লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌমী কাংলুপ-ফুরুপ খুদিংমক্কীনি।

৩) সংবিধান কনসি হায়বা পান্দমদা রাজ্য থাক্কী খোঙচৎ অমা ঙসি মনিপ্র প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা পাঙথোকখ্রে।

৪) ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ মঙানিরোম অসিদা মণিপুরগী মফম কয়াদা অকনবা নুংশিৎকা লোয়ননা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুগনি।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি- ভারত্তা কেন্সরনা নারবা মীওইগী চাদা ৯০ দি হেক খঙলকপা নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা লায়েংবা হৌরে।

------

পিএম ঃ পহলগামগী তেরোরিষ্ট এটেক্তা চেন্নবা অমদি লৌতুনবদা য়াওরিবশিংগী মথক্তা ভারতনা চপ চাবা পাউখুম পীগনি হায়না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোকখ্রে।

অকাশবানিগী থোঙদা ঙসি শন্দোকখিবা মহাক্কী মনকি বাট-পুকিংগী ৱা থৌরমদা পহলগামগী টেরর এটেক অদুদা অশাউবা ফোংদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- থৌওং অদুনা তেরোরিজমবু শৌগৎপা কাংবুশিংগী নীংবা কায়বা অমদি পাংদবগা থৌওং অদু উৎথোক্লে। মহাকা হায়- তেরোরিজমগী মায়োক্তা চথ্ৰবা লানফম অসিদা লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ১৪০ গী অপুনবনা অচৌবা শক্তি অমা ওইরি। ভারত অমসুং জম্মু-কাশ্মীরদা শান্তি হঞ্জিল্লকপা, লমদম অদুদা গনতন্ত্রগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎলকপগা লোয়ননা লম কোয়বা লাকপশিংগী মশিং হেনগৎলকপা অদুদা ভারত অমসুং কাশ্মীরগী য়েকবশিংনা নিংহন্নরকপদগীনি। মহাকা হায়- তেরোরিষ্ট অমসুং মসিগী মাষ্টর মাইনশিংনা কাশ্মীরবু থুগাইনবগীমক লাল্লোং অসি চথ্ৰরকখিবনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- থৌদোক অদুগী মতাংদা মালেমগী মফম কয়াদগী হৌজিক ফাওবা নুংঙাইতবা ফোংদোরকপগী পাউ লাক্লি। মহাকা হায়- মালেমগী লুচিংবশিংনা মহাকপু ফোন তৌরকপা নত্রগা চিঠি ইদুনা তেরোরিষ্টকী থৌওং অদুবু নিন্দা তৌবগা লোয়ননা হকচিন্না লৌই হায়রক্লি। লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ১৪০ না তেরোরিজমগী মায়োক্তা চংশিল্লিবা অসিদা মালেম পুম্বনা ভারতকীদমক লেপ্লি।

লৈবাক অসিগী অনৌবা নেসনেল ইদুকেসন পোলিসি শেম্বদা চাউনা থৌদাং লৌখিবা ডাঃ কে. কষ্টুরিরঙ্গনবু শিংথারদুনা শ্রী মোদিনা শকাইরবা বৈগ্যানিক অসিনা মতম চুপ্পদা ইনোভেসনদা চাউনা পুকিং থৌগৎলম্মী হায়খি।

ভারতনা থাগী সাউথ পোলদা য়ৌবা ঙম্বা অহানবা লৈবাক ওইরে হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। স্পেচ ষ্টার্টঅপশিংদা লৈবাক অসিগী নহাশিংনা অনৌবা মফম অমা কনবা ঙমলে। মহাকা হায়- লৈবাক অসিদা পুন্না স্পেচ ষ্টার্টঅপ ৩২৫ হেন্না থবক তৌরি। লৈবাক অসিনা ভেনস ওর্বিতর মিসন অমসুং মার্স লেন্দর মিসনগী থবক পায়খৎলি হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা পাউদমখি।

মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবশিং য়াওনা মালেমগী লৈবাক কয়ানা অৱাবা তারবা মতমদা ভারতনা তেংবাং পীবগী থবক কয়াসু প্রধান মন্ত্রিনা পনখি। মহাক া হায়- ম্যান্মারদা মমাং থাদা য়ুহার হাবদগী অৱাবা তারবশিংদা ভারতনা ওপরেসন ব্রম্মাগী খুত্থাংদা মী কনবা অমসুং তেংবাংবগী থবকশিং চত্থখি। ভারতনা মফম অদুদা হোস্পিতাল অমা শেমদুনা অমসুং ইঞ্জিনিয়ারশিংগী কাংবু অমনা মরুওইবা বিল্ডিংশিং মাং তাকহনখিবশিং য়েংশিন্নবা হোৎনবদা চাউরবা থৌদাং লৌখি।

এক পের মাকে নাম খোঙজংগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- হৌখিবা চহি অমরোম অসিদা খোঙজং অসিগী মখাদা উ চারা কোতি ১৪০ হেন্না থাখ্রে। মীয়ামদা খোঙজং অসিদা শরুক য়ানবসু মহাকা আপীল তৌরি। মে ১০ দা অহানবা নিংতম ইহৌগী কুমওন থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রদুনা শ্রী মোদিনা হায়- লৈবাক অসিগী নীংতম লান্মীশিংনা হৌরক্লিবা মীরোলগী পুকিং থৌগৎনবগী মশক ওইরগনি।

অমরোমদা, পহলগাম টেরর এটেক্কী মতাংদা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ)না থিজিনবগী থবক হৌখ্রে। এন.আই.এগী অখন্নবা টিম অমা পহলগামদা থুংখিবগা লোয়ননা থিজিনবা হৌরে।

জয়কুমার (এল)ঃ নেসনেল পিপলস পার্তি (এন.পি.পি) মণিপুর য়ুনিতকী প্রসিদেন্ট য়ুমাম জয়কুমারনা হায়রি- মণিপুর অসি লমদম অসিদা খুন দামিন্নরিবা য়েলহৌমী কাংলুপ-ফুরুপ খুদিংমক্কীনি। রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি মপুং ওইনা শাগৎলিবা অসি মপান লৈবাক্কগী নারোনদা চংলকপা মীরৈবাক মচা খুৎলায় পায়বশিং অমসুং রাজনীতিগী খুদোংচাবা লৌননবা পুশিল্লকখিবা মীতোপশিংনা থোকহনবনি।

ৱাফম অসি নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া হেবিটেট পিপলস ফ্রন্টনা ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা দি.আই.পি.আরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা সনা চহি অহুম হায়রগা খঙনবা রাজকুমার নরেন্দ্রজিৎকী চহি ২০৬ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। শ্রী জয়কুমারনা হায়- মপানদগী চংলকপা

মীতোপশিং অসিনা মণিপুর য়াওনা মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপশিং নুংশিদবনা তোঙান তোঙানবা পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লি। হিরম অসিদা ভারত সরকারনা নিংথিনা মীৎয়েং থন্বা তঙাইফদে।

থৌবাল (এল)ঃ সি.পি.আই থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী ১৪ শুবা মীফম ঙসি থৌবাল ৱাংম তাবা শোরোক মখাদা লৈবা সোফিয়া ইংলিস স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। ককচিং জিলাদা লৈরিবা লোকেল কাউন্সিল মরি অমসুং থৌবাল জিলাদা লৈরিবা লোকেল কাউন্সিল তরুক্কী মীওইশিংনা মীফম অদুদা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা নেসনেল কন্ট্রোল কম্মিসনার সি.পি.আইগী মেম্বর অমসুং হান্নগী মন্ত্রি ডাঃ এম. নরানা হায়- হৌজিক ঐখোয়গী রাজ্য অমসুং লৈবাক অসিখক নত্তনা মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা সোসিও ইকোনোমিক পোলিতিকেলগী ফিভম অসিদা দল অসিগী লুচিংবশিংনা কুপা খন্থবা অমদি খন্নবগী মতম ওইরে।

কংগ্রেস (এল)ঃ সংবিধান কনসি হায়বা পান্দমদা রাজ্য থাক্কী খোঙচৎ অমা ঙসি মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি)না শিনদুনা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এ.আই.সি.সিগী মণিপুর ইনচার্জ ওইরিবা খৃষ্টোফর তিলকনা হায়- ভারত অসি তোঙান তোঙানবা লোল ঙাংবা ফুরুপ ৩০০ হেন্না খুন্দারিবা লৈবাক অমনি। ভারত সংবিধান্না ফুরুপ ময়াম অসি নুংশি চান্ননা অমদি অমত্তা ওইবগী লীপুন মখাদা হিংবা ঙমহল্লিবনি। ফজরবা ভারতকী সংবিধান অসি হৌজিক্তি খুদোংথিনিঙাই ওইবা ফিভমদা লৈরে হায়না মহাকা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্তিগী লুচিংবা ওক্রম ইবোবী সিংহনা হায়- মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংগী সংবিধানদি লমায় খরা খক্তা পাল্লি, অদুমওইনমক, ভারতকী সংবিধান অসিদি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ওইরি। শ্রী ইবোবীনা হায়- সংবিধান শেমখিবা লুচিংবশিংনা লৈবাক অসিদা

খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা কাংলুপু-ফুরুপশিংগী লাইনিং লাইশোল অমসুং লোলগী  খেন্নবশিংগী য়েংলগা তুং কোইনা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবা য়ানবগীদমক সংবিধান অসি শেম্লম্বনি।

জিরিবাম (এল)ঃ নসা মুক্ত ভারত অভিয়ানগী মনুং চন্না জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিস জিরিবাম অনিনা পুন্না শিন্দুনা- রন টুৱার্দস এন্দ এ ড্রগ ফ্রি ফ্যুচর হায়বা হিরমদা হাফ মরাথোন অমা ঙসি জিরিবামদা পাঙথোকখ্রে। হাফ মরাথোন অদু জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমারনা বাবুপারাদা লৈবা ইরাবত স্কৱারদগী লমথাখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী কৃষ্ণকুমারনা হায়- পাঙথোক্লিবা মরাথোন অসিগী মরুওইবা পান্দমদি হৌরক্লিবা কাংলুপ খুদিংগী নহাশিংদা ময়াই কাবা নিশা শিজিন্নবগী মাংজবশিং খঙহনবা অমসুং জিলা অসিবু নিশা শিজিন্নদবা মফম অমা ওইহনবা হোৎনবদা মতেং পাংবা ঙমবনি।

ককচিং (এল)ঃ  দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিস ককচিংগা পুন্না শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট নসা মুক্ত ভারত অভিয়ান এক্সন প্লানগী মখাদা দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা ড্রগ লান্না শিজিন্নবগী মতাংদা অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিংগী ওইবা ত্রেনিং অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী মরুওইবা পান দমদি- নিশা শিজিন্নবনা কয়া য়ামা মাংহনবগে হায়বদু নহাশিং, নুপীশিং অমসুং অঙাংশিংদা খঙহন্নবনি।

কোকোমি (এল)ঃ  কোওর্দিনেতিং কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি)না শিন্দুনা মফম কয়াদা মীয়ামগী মীফম লেপ্তুনা পাঙথোক্লি। ঙসিসু লুপ অসিগী লমজিং মখাদা হম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাহেংবম লৈকাই য়ুমজাও লাইরেম্বী, ৱাংগোই, চঙাঙ্গৈ হৈক্রু মখোঙ, লাংজিং অচৌবা লম্পাক, ইরোশেম্বা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্তুনা

রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা খন্নখি। মীফম অদুদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং নিংথৌ লৈকাইদা লৈবা শ্রীশ্রী রাধা-কৃষ্ণ মন্দিরদা ঙসি নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মেদিসিন, গাইনি, ই.এন.টি অমদি দেন্টেলগা মরী লৈনবা অনাবশিংগীদমক মীওই ২০০ রোম লায়েংখি। কেম্প অদুদা বদ সুগর টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবসু পীখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ রিলিফ কমিতি মণিপুরনা মোইরাং মুক্তা হাইস্কুলদা লৈবা আই.দি.পিশিংদা রাজ্য সরকার অমদি কেন্দ্র সরকারনা পীরিবা সোসিয়েল বেনিফিৎ স্কিমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

তমেংলোং (এল)ঃ জেলিয়াংরোং বেপটিষ্ট চর্চ তমেংলোংনা শিন্দুনা মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। জেলিয়াংরোং বেপটিষ্ট চর্চতা পাঙথোকখিবা সেমিনার অদুদা অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

মনা (এল)ঃ সাহিত্যা থৌপাং লুপনা চহি খুদিংগী মালেমগী প্রেস নুমিৎকা মরী লৈননা পাউমীশিংদা পীবা থিয়াম প্রেমকুমার মনা কুমশি চহিগী ওইনা ইবোয়াইমা লাইথাংবমদা পীরগনি। মনা অসি মথং থাগী ৩ দা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী প্রেস নুমিৎতা খুৎশিন্নগনি।

মেট ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি-লাক্কদৌরিবা নুমিৎ মঙানিরোম অসিদা রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংনা শিৎপা নুংশিৎকা লোয়ননা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুগনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ান মেট বিভাগকী পাউ মতুংইন্না মণিপুর, অসাম, মেঘালয়, সিক্কিম, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ, সব-হিমালায়ান ৱেষ্ট বেঙ্গল,

ইষ্ট রাজস্থান, মধ্য প্রদেশ, বিদরভা, ছত্তিসগর অমসুং করনাটক্কী খা থংবা মনুং হুঞ্জিনবা মফমশিংদা অখাক অরাউ য়াওনা নুংশিৎকা লোয়ননা অকনবা নোং চুগনি হায়রি। বিভাগ অসিনা হায়- লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা দিল্লি, হরিয়ানা, পঞ্জাব, রাজস্থান, উত্তর প্রদেশ অমসুং মধ্য প্রদেশকী মফম কয়াদা শাবগী চাং হেনগৎকনি। গুজরাত, অন্ধ্র প্রদেশকী সমুদ্র খোঙবান, তামিলনাদু অমসুং পুদুচেরিগী মফম কয়াদা নুংশিৎতা ঈশিং য়াওবগী চাং হেনগৎপগা লোয়ননা শাবগী চাংসু হেনগৎকনি হায়রি।

কেন্সর ঃ কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি- কেন্সর লায়নাগী মতাংদা ভারতনা মফম কয়াদা পাক্তকনা লায়েংফম হাংদোরকপা অমসুং ঙন্না দাইগোসিস তৌহৌদুনা লাইওং অসি খঙহৌবনা কেন্সর লায়েংগী মতাংদা খোঙকাপ অমা থাংজিল্লে।

মেদিকেল জরনেল- দ লেন্দসেটকী রিপোর্ট অমা পল্লদুনা মন্ত্রিনা হায়- সরকারগী হোৎনজমন অসিনা ভারত্তা লৈরিবা কেন্সরনা নারবা মীওইশিংগী চাদা ৯০ দি লাইওং অসি লৈরে হায়বা হেক খঙবা নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা লায়েংনবগী থবক চপ্থবা হৌরে। মসি মালেমগী ওইনা রেকোর্দ অমা ওইরি।

মহারাষ্ট্রগী ছত্রপতি সমভাজিনাগরদা গভর্নমেন্ট কেন্সর হোস্পিতাল অমা হাংদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনাগী মখাদা লুপা লাখ ৫ ফাওবগী অনা লায়েংগী শেনফম সরকারনা পুথোক্লি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিদা মেদিকেল কলেজ ৭৮০ মথৌ নিংথিজনা তৌরি অমসুং মেদিকেল ইদুকেসন অমসুং হেলথ কেয়ার সার্ভিসেসকী মতাংদা শেন্থং ৱাৎতনবা সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। শ্রী নদ্দানা হায়- লৈবাক অসিদা আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির (হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্তর) লাখ ১ লিশিং ৭৫ হাংদোক্লে। সেন্তরশিং অসিনা কেন্সর লায়না, মরুওইনা ওরেল অমসুং ব্রেষ্ট কেন্সর ঙন্তানা খঙদোকবা হোৎনবদা চাউরবা থৌদাং লৌরি। মন্ত্রিনা হায়- হেলথ সার্ভিসেসকী লমদা ১৫ শুবা ফাইনান্স কম্মিসন্না লুপা কোতি লিশিং ৭ কী শেনফম কাইথোক্লে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাং (এল)ঃ  লাইনিংথৌ সনামহি কাং এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চথরিবা অহানবা লাইনিংথৌ সনামহি প্লেয়রস মেমোরিয়েল কেন্দ্র ৰাইস লিগ কম নোক আউট ওপন কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কৈশামথোং কেন্দ্রনা ওইনাম কেন্দ্র টিব-বিবু পাঞ্জল ১৫-১০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অনিসুবা প্রেমিয়র লিগগী মেটচ অমদা ঙসি রাউ লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা অমোফা মোইরাংবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ  তেন্থা খোঙবাল ৰেলফ্যার এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা তেন্থা মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দদা চথরিবা টকৰা ক্রোফি ২০২৩ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পি.এস.দব্লিউ.এ.এস শঙ্গাইয়ুম্ফম অমসুং পোইন্ট্রেক্স পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা কংলৈপাক পারিনা এম.ৰাই.দি.এ মাইরেল খুলবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ  ৩ শুবা মায়পাকপী মেমোরিয়েল ফুটবোল ত্রোফি ঙসিদগী সিতি ক্লব প্লে গ্রাউন্দদা হৌখ্রে। ঙসি অহৌবগী শান্নখিবা মেটচতা জোন এফ.সি অচানবীগৈ অমসুং লৈকাই এফ.সি য়াইস্কুল পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

ক্রিকেট ঃ  শ্রীলঙ্কাগী কোলম্বোদা চথরিবা ত্রাই নেসন ৱিমেন্স ক্রিকেটকী অহানবা নোংম মশান্নগী মেটচ অমদা ভারতনা শ্রীলঙ্কাবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে। হান্না বেত্তিং তৌখিবা শ্রীলঙ্কানা ওভর ৩৮ বোল ১ দা ৱিকেট পুমমক তুরগা রন ১৪৭ লৌখি। ভারতনা পান্দম অসি ওভর ২৯ বোল মরিদা য়ৌবা ঙমখি। নোংচুবনা মরম ওইদুনা মেটচ অদু ওভর ৩৯ দা তেনশিনখি।

------